## এডিটোরিয়েল

# সরকারগী অশোয়বা থৌশিল ওইফম থোকই

মণিপুরদা তোয়না থোকপা থৌদোকশিংগী মনুংদা শিন্মীশিং ফাবা অমসুং মরম খঙহন্দনা থাদোরকপা হায়বসি অমা ওইরে। মসি মরী লৈনবা সরকারগী দিপার্টমেন্ট অমদি মদুদা মথৌ তৌরিবা মীওইশিংগী অশোয়বা অমা লৈব্রা হায়বসি য়াম্না কন্না থিজিন্দবা য়াদবা মরম অমা ওইরে হায়না লৌবা তাই। ফাজিনখিবা শিন্মীশিং থাদোরকপা মতমদা করম্বা য়ানবা অমা পুরক্লগা থাদোক্লিবনো অমসুং মখোয়বু ফাজিল্লিবা মীওইশিং অদুনা করম্বা মওংদা সরকারগা মরী লৈনরিবগে হায়বসি মীয়াম্না খ্বায়দগী খঙবা পাম্বা মরম অমা ওইগনি খল্লি। হৌজিক ওইরিবা ফিবমসিদদি শেল লৈত্রগা নৎত্রগা শেলগী দিমান্দদা পীরক্ত্রবা মতুং খরা মপাঙ্গল শোনবা থাক্তা লৈবা শিন্মীশিং ফাজিল্লবা মতুং মখোয়বু থাদোক্লবা থাদোকমল অদু মরী লৈনবা মীওইশিংদগী লৌবা ওইনা মীয়াম্না উরি। হন্দক শিন্মী খরা মোহোরি য়াওনা ফাখ্রবা মতুং ফাজিল্লুবশিংনা থাদোকখ্রে হেক হায়বগা অমুক অতোপ্পা অনি অমমুক ফাজিনখিবা অসিনা থাকপদি মীফা মীপুন চংখরিবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা নৎত্রগা কাঙলুপ অদুগী মথক্তা সরকারনা করিগুম্বা মখল অমত্তগী এক্সন লৌবা ঙমদ্রি হায়বা তাকপনি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি মরুওইনা সরকারদা য়ানবা অমগী মখাদা সরেন্দর তৌখ্রবা লুপশিং নৎত্রগা অনৌবা থোক্লকপা লুপশিংনা হেক হেক চংখবগুম মীয়াম্না উই। ওইরিবা ফিবমদি দিবলভ ৱার্ক অমা পায়খত্তুনা মহাক্কী মখাদা লৈবা শিন্মীশিংবু থবক শুহল্লিবা মীওইশিংদা মথোং মরম অমত্তা খঙদনা শেলগী দিমান্দ তৌবগী চৎনবী অমা লৈরকপা অসিনি। মদু নৎত্রগদি শিন্মীশিং ফাবগী মথৌ তাদে। অমরোমদনা ফাজিনখিবা মীওইশিং অদু থাদোকহন্নবা হোৎনবদা য়ান্নবা নৎত্রগা ঙাংনবা অমদি চংই। মদুদা ফাজিনখিবা মীওইশিং অদুগা লোয়ননা ফাজিল্লিবা মীওই কাঙলুপশিংনা থাদোকমল ওইনা শেনফম খরা লৌরিব্রা নৎত্রগা ফাজিল্লিবা মীওই কাঙলুপ অদুনা অপাম্বা ৱাফম খরা থমদুনা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক অদু অকক্নবা মতমগী মনুংদা পিরিবা সেদ্যুলগী মতুং ইন্না পায়খৎলু হায়বগী পাউতাক পীরগা থাদোরক্লিব্রা হায়বসিনি। করিগুম্বা মীওইশিং অদু থাদোরক্লগদি করম্বা মখলগী য়ানবা অমদা মখোয় থাদোরক্লীবনো অমসুং তত্তনা শিন্মীশিং ফারিবগী মরম্না করিনো হায়বদু শোয়দনা খঙবা য়াগনি। মসি খঙদোক্লবা মরী লৈনবা সরকারগী মেছিনরিশিংনা হোৎনদবনা মরম ওইরগা মীয়াম্নসু মীফা মীপুনশিং অসিগী লংলা লংজিন অমত্তা ফংবা ঙমদবনি হায়না লৌবা তাই। অদুনা মসিগী থৌদোক অসিগী মরী লৈননা চংখরিবা থবক খুদিংমক্কী দাইত্ব অসি মণিপুর সরকারগী ওইফম থোকই। মসিদা সরকার অসিনা লৈথোক লৈশিন তৌদুনা ফজবা পাউখুম পীবগী মথৌ তাদে। লৈরিবা দিপার্টমেন্টনা মখোয়গী এক্টিভিটিশিং অদু উখোকপা অমদি মখোয়গী হৈশিংবা কয়া অদু লোৎশিন্দুনা থম্বগী মতম অদুসু নৎত্রে। হৌজিক্তি চাউখৎলবা চহি চা অমদা লৈরবনা অমসুং ইনফোর্মেসন টেক্নোলেজিগী খম থেংনা চাওখৎলবা চহি অমদা লৈরবা মরম্না ঈ–পাউ খুদিংমক হোম দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংনা খঙফম থোকই। মসিদা খঙদবা মানবদৌনা লৈশিনবা অসি খ্বায়দগী লাইবক থিবনি। মসিগী মতাংদদি মরী লৈনবা মীয়ামগী মীহুৎশিং অমসুং দিপার্টমেন্ট অদুবু পায়রিবা মিনিষ্টরনচিংবনা মীয়ামদা শেংদোকফম ফাওবা থোক্লবনি হায়না লৌবা য়াই। মওং অমগী শেন্দাল লম্বী কয়া থোক্লিবসি মণিপুরদনা খ্বায়দগী হেনবগুম উই। ইতৎ তত্তনা মীওই কয়াগী য়ুমশিংদা বোম থল্লম্বা অমদি বোম পোকখাইহনবগী থৌদোক কয়া চংখদুনা লাক্লি। মসিদা লৈকায়গী লৈরিবা নুপী লুপশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা অদুগুম্বা থৌদোক মখা তানা থোকহনবিগনু হায়না আপিল তৌবা নত্তনা থৌওংশিং অদুবু চংখরল্লিবা মীওইশিং ফাবা পুনবা অমসুং মখা তানা অতোপ্পা মীওইশিংগী য়ুমদসু অকি অখঙগী থৌদোকশিং অসি থোকহন্দনবগী মতাংদা চপ চাবা প্লান অমা শেমদুনা অমদি ইন্টেলিজেন্সকী নেটৱার্ক অসি ফগৎহন্নবা হোৎনগদবা অদু সরকারগী মায়কৈদগী মীৎয়েং চঙদবগুম্না ঙসিদি মীয়াম্না উরে। অদুনা ওইরিবা ফিবমশিং অসিগী চপ চাবা ইন্টেলিজেন্সকী রিপোর্ট অমা লৌরগা মখা তানা অদুগুম্বা থৌদোকশিং অদু চংখহন্দনবা থিংনবা থৌরাং অমসু লৌখৎফম থোকই। মতম অসুম য়ৈথোক্তুনা লৈরকপা অসিনা সরকারগী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং অসিদা ওইনা মীয়াম্না তাইনফম ওইদুনা লৈ। অনৌবা দি জি পি কয়া মথং মথং শিল্লবসু লো এন্দ ওর্দরগী ফিবমদা অদুক য়াম্না কন্না ফিবম ফগৎলকপদি মীয়াম্না ঙসিসু উদে। মতম লেনখিনবা য়ৈথোক য়ৈথোক্তুনা থল্লগা থবক খুদিংমক অথিংবা য়াওদনা চংখরকপদগী ঙসি মণিপুর অসি কিহন খঙহল্লগা শেল তানবা মীওই লুপশিংগী অফবা শেন্দানফম অমা ওহোক্লব্রা হায়বসি হংনিংঙাই ওই। মসিগী মথক্তা অমুকসু হায়রিবা থৌদোকশিং অসি চংখবা মতমদা সরকারগী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী মীওইশিংগী খুৎ য়াওবরা হায়বসিসু ঙসিগী মীয়াম্না হংনরিবা ৱাহং অমনি হায়বসি পাল্লিবা সরকার অমসুং মরী লৈনবা থৌদাংশিং লৌরিবা মীওইশিংনা খঙনা থবক পায়খৎপনা অচুম্বা ওইগনি খল্লি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### ইরোইশেম্বা জু সু শেমগৎপিয়ু

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকি ইরোইশেম্বদা ষ্টেট অসিগী ওইনা লৈরিবা জুলোজিকেল গার্ডেন ময়াম্না জু হায়না খঙনরিবসিগী ফিবম উরুবদা অতৈ ষ্টেটশিংগী মমাংদা অদুক্কি মতিক ইকায়নিঙাই ওইরে।

হৌজিক লৈরিবা ষ্টেট গভর্নমেন্ট অসিনা টুরিজম চাউখৎহন্নবগী থবক পায়খৎলকপদা জুলোজিকেল গার্ডেন অসিবু নাথৈদুনা থনম্লবদি মপুং ফাবা ওইগনি থাজদে। পৃথিবীগী অতোপ্পা লৈবাকশিংগা চাংদম্নবগী ৱাফমদি তোকখিসি। শুপ্নতগী নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটতা লৈমিন্নরিবা আসামগী জুলোজিকেল গার্ডেনগা চাংদম্নবদা গভর্নমেন্টকী মায় থমফমসিবু কদাইদা লৈরিবগে।

হৌখিবা চহি কুন্ত্রামুক অসিদা করিসু অহোংবা অমত্তা উবা ফংদ্রি। শা–উচেকশিংগী স্পেস মতিক চানা থম্বদবগী মথক্তা লৈরিবা খরা অসিসু হিংহনবা ঙম্রোইদবগী ফিভমদা লৈরিবসি য়াম্না লাইবক থিবনি। ঙসিদগী চহি ২০–৩০ গী মমাংদা উরম্বা শা–উচেকশিং অয়াম্বনা উবা ফংদ্রে। হোয় চহি য়াম্লক্তুনা শিখিবনি হায়রগসু নৌনা অমুক থম্নবগী পোলিসি প্রোগ্রাম শিনবিবদি য়াদবা জৎলা হায়বসি হংনিঙাই ওইরি।

ষ্টেট গভর্নমেন্টবু খুৎ থিন্দুনা তাকচবদি নৎচদে, হৌজিক লৈরিবা গার্ডেন অসিগী পাক চাউবা অসি মনাক নাকপদা লৈরিবা চীংশিং অসি য়াওনা পাকথোক চাউথোকহনবগী তঙাইফদবা লৈ। করিগুম্বা লম পাকথোক চাউথোকপদা প্রোব্লেম ওইগদবা লৈরগনা মফম চাবা অমা য়েংলগা স্পেস মতিক চানা ফংগদবা মফম অমদা হোংলগা টুরিষ্ট স্পোট অমা ওইনা শেমগৎপদা ষ্টেটকি ইনকমদসু য়াম্না কান্নবা ওইগনি হায়নসু খনজে।

*অদোমগী*
*মোলিকুল টি ঐচ.*
*য়াইরিপোক*

## সনামীরেনগী ৱাখল

# অমসুং কোমকুৎকী সেফটি




য়ুম য়াম্না লন্ন–লন্না তারম্মী। য়ুম লনবনিনা মীসু পংয়াম য়াল্লমদে। মী য়ামদ্রিঙৈ মতমদুদা লমজাও সড়ক্তা চৎপা মতমদা খ্বাইদগী চেকশিনগদবা অমা হায়বা তারবদি মতমদুগী অহলশিংনা অঙাং নহাশিংদা হেক–হেক হায়বা–করাংদা হৌদোং মচা লিৎখিগনি হায়বসিনি। করিগুম্বদা হৌদোং মচানা খোঙ অনিগী কারক্তা হেক লিৎখিবদা শিবা নাবা য়াওদুনা মীওই অদু খুদোংথিবা হায়বা থৌদোক্তু নংগদৌরিবনি। য়ুমনা কুংশিল্লকপা, মীশিংনা হেনগৎলকপদগী হৌদোং মচানা লম্বী চৎলিঙৈদা লিৎখিগনি হায়বা ৱাখলসি কাওনরকই। মসি হৌদোং চাবা মীগী মশিং হেনগৎলকপা, হৌদোং মচা ফাওবনা লমজাও থোকপা কিরকপদগী ওইবা য়াই। হৌদোংনা মী কিরকপদগী হৌদোংনা খোঙ কারক্তা লিৎখিগদ্রা হায়বগী কিবদুমদি কনামত্তা লৈনদ্রে। হৌজিক্তি মী য়াম্না য়াল্লবনিনা লমজাও চৎপদা হৌদোং মচা কিদ্রবসু ওটোদি কিবা ফাওনরে। ৱাহেং লৈকাই থোং মচিন্দা খোঙনা চৎপদা ওটোনা খোঙ কারক্তা লিৎখিদ্রা হায়দুনা চিংনবা ফাওই। কাংজৈবুং মনিং–মমাং, শগোলবন্দ হায়বা লৈতনা খোঙনা চৎপা মীগী খোঙ কারক্তা ওটোনা লিৎখিগদ্রা হায়বসি খোঙনা চৎপা মীশিংগী ৱাখলদা ফাওবা অকিবনি। করিগুম্বদা ইখঙ হেক খঙহৌদনা তুংলোমদগী ওইরবসু ওটোনা খোঙ কারক্তা লিৎথোকখ্রবদি মহাক অদু অশি অনামক থোক্ত্রবসু অশোক–অপন খরদি নংগদবনিনা হৌদোংনা লিৎখিগদ্রা হায়বগী কিবা ফাওদ্রবসু ওটোনা লিৎখিগদ্রা হায়বসিমদি কিদবা য়াদে। অসুম্মাইনা কিবা মীগী মশিংসি অসুম–অসুম য়ামখৎলকপা, ওটোনা কলাক ময়া, খোংবি মপান ফাওবা নকশিল্লকপা ময়ামসি সরকার হায়বা অমনা উরিবনিনা থৌরী তিংদুনা ওটো ময়াম পরেং শানা চত্তুনা ইচাই চাইথোকহন্দে। রোদ সেফটি ৱিক হায়দুনা অকনবা থৌরাং লৌখৎলকপদগী ৱাহেং লৈকাই থোং মচিনদা অনৌবা থৌরী তিংলকপদগী খোঙনা চৎপদা ওটোনা খোঙ কারক্ত লিৎখিগদ্রা হায়না পাখৎপদু শুকপা পাখৎতবা য়ারে। প্রজাগীদমক সরকারনা রোদ সেফটিগী থৌরাং লৌখৎলকপদা ওটো মখৈদি পরেংসু চুম্না চৎলে, য়েংবদসু ফজরে। মরকসিদা রোদ সেফটিগী থৌরাংনা ওটো থৌজবা খরদা হান্নদগী হেন্না চে–চাং মনবগী ওইরবসু পৈশা তিংবা হেনগৎলি হায়বা অমদি মনুংদা য়াওই। মারুতি কম্পেনিগুম্বা, হুন্দাই কম্পেনি, টাটা কম্পেনি, মিটসুবিসি অসিনচিংবা ময়াম অসিগী অতাংবা গাড়ী মখৈদি রোদ সেফটিদা য়াওদবনিনা সড়ক ময়াইদা খাল্লগা লৈ। মখোয়শিংদু ত্রাফিক্লা উদে। অতাংবা গাড়ীশিংসু ত্রাফিকনা শেন্নরিবা রোদ সেফটিদা য়াওহনগে হায়রবদি লুপা ১০ চৎপী খরা গাড়ী থৌরিবা ওফিসার মানবা নত্রগা ওইশিল্লুরবা কাংবুগী ফুরিৎখাওদা য়াওহন্দুনা ত্রাফিক পুলিসকী পুক্লিং চিংশিনবীবা য়াই। ত্রাফিক পোইন্টতা লেপ্পু হায়দুনা খঙহনবা সুনু চিংবদা চৎকদবা শেনফমদু পুলিস পার্সোনেল অমনা লেপ্তুনা লৈবদুনা চৎলোইদবনি। লম্বীদা লৈবা স্পিদ ব্রেক্করদা শুনু অমত্তা তৈদ্রিবসি তৈরুবদা সরকারগী শেল চৎকনি হায়দুনা তৌবিদ্রবসু গাড়ী থৌবগী সেফটিগী খনবীদুনা ব্রেক্কর মপা খুদিংগী ত্রাফিক পুলিস অমমম থম্বীবা য়াম্না কান্নগনি। সরকারগী পৈশা চৎত্রবসু লন্নাইগী পৈশা সরকারগী মীনা খোমজিনবদা মতেং ওইগদৌরিবনি। অতৈ মতমদমক তৌবিদ্রবসু রোদ সেফটিগী পালন তৌরিঙৈ মনুংদদি লম্বীদা লৈবা কোমকুৎতা গাড়ী তুশিন্দনবা কোমকুৎ মপান্দসু ত্রাফিক পুলিস অমা থম্বীবা য়াবনি। অসুম্না খুদোংথিবা থোক্কদবা লম্বী থির–থিরগা ত্রাফিক পুলিস অমমম থম্বীরবদি লম্বী শেম্বগী পৈশা সরকারগী চৎলরোই। লম্বীগী খুদোংথিবসু থোকহন্দবা ঙম্লগনি। লম্বীগী হায়রুরবদি মীরমদা লৈরমগনি থাজদবা মখলগী লম্বী মখল অহুনবী ফাওবা ঐখোয়গী ইম্ফাল মনুংগী জোনষ্টোন হয়ার সেকেন্দরি স্কুল মপাদা লৈরিবনি। নোংমফাদোক গাড়ী থৌরকপা মীদি হুন্দনিঙাই লৈতে। মফমসিদসু ত্রাফিক পুলিস অমদি অদুম মথৌ তৌহনবদা থোইদোক্লা ইকাইনিঙাই লৈরোই। রোদ সেফটি হায়বসিদা কোমকুৎকী সেফটিসু য়াওহৌবা য়াই।

# খূৎতা থাউমৈ লালটেন পায়বী

মালেমগী অঙকপা থৌদোকশিং
ইবোপিশক লুৱাং

মমাং নিংথৌকাবগী মখা...

নাইটিঙ্গলনা খঙহৌদনা য়াম্না তয়াং তশোইনা খূমদোক্লকপা পাউখুম অসিনা স্মিথর্স্তগী মিৎ–মাইদা নিংবা কায়বগী নোংথাং কুপ্লকখি, হায়রকই,– “করিগুম্বা তাঞ্জা ফংলবদি অয়াবা লৌনবা হোৎনৌ, ঐ মদু ঙাইগে।”

ঙসি ঙরাং অসি নাইটিঙ্গলনা হান্না লৈরম্বা মওং–মতৌদগী খঙওন ওল্লকপা ফীভম মহাক্কী মমাগী মিৎ অসিনদি ঙম্নমক খঙবা ঙম্মী অমসুং মমাগী মফমদদি লোৎশিন্দুনা থম্বা ঙম্লমদে। খূঙ্গং অসিদা থুংলবা মতুং নুমিৎ নিনিখক্তগী মনুংদা নাইটিঙ্গলনা খংতন তম্থখিবগী মতৌ অমসুং লণ্ডন তান্না হন্নবগীদমক তৌখিবা নিংঙাই চক্রি অদুগা স্মিথর্স্তগা শক উনরুরবা মতুংগী চয়োলদুমা হায়ফম খঙদবা নুংঙাইবগী ঈথক্তা তাওখিবা, লণ্ডন হল্লমদাই কায়নরমদাইগী পুংজা লাক্লবদা থম্মোয়নুংগী মৈচাক খাঙবা ঙমদবদগী মীৎলুদা পীরাং শিঙ্গরকখিবা মসিসু মহাক্লা লোত্তুনা থম্বা ঙমখিদে। চহী তরা তরেৎ অসিগী মনুংদা মহাক্লা মচা নুপীগী মিৎলুদা অসুম্না মপি ইরা হৌনা পিরাং শিঙ্খিবা করিগুম্বা মতম অমদসু উবা ফংলকখিদ্রি। খল্লুবদা ৱাদবা ঙমখিদে অমত্তা পোকচবী মমোমগী শক্তম উরগা। মমানা মমা–মচা লণ্ডনদগী হল্লকপগী লম্বেলদা পূম্নমক অসিগী মরম খঙনিংখি। মমাগী মফমদা করিগুম্বা অমত্তা লোৎশিন্দুনা থম্বা হৈনরক্তুবী লমচৎ, য়াথং ইনবী নাইটিঙ্গল মহাক মশাগী থম্মোয়নুংগী পুঙমদ্রবা অথুপ্পা ৱারোল ঙম্নমক মমাগী মমাঙদা পাউদমজরকই– “ইমা, ঐ তশেংনমক্কী স্মিথর্স্ত নুংশি। মহাক্লা ঐহাকপু মাগী পুন্সি খোঙলোই ওইনিংই।

“মসি নহাক্লা থোইদোক হেন্দোক্লা খঙবা ঙল্লবনি মদুদি য়ুমলৈ–কৈরৈ মওং মরিন তাদবা ইমুংগী পাখঙনি” মমানা মচাগী ৱাখল চুমথোক্লবা তাকই। “খঙই ঐসু মহাক লায়রে” নাইটিঙ্গল ৱা মখা শমথরকই, “ অদুগা ইনাক খুনবা হায়বদুগী মাঙোন্দা শরুক তম্বীরমদ্রবসু মাঙোন্দা তাইবং শেম্বীবা মপু মহাক্লা অমত্তা চিংখদনা থৌজালবী। ইমানা মহাকপু নুংশিবীরবদি ইমা বাবাগী লৈরীবা লন–থুম অসিদগী খজিক্তুং খাইদোকপীরগা মহাক্কীদমক তম্বীরবদি মহাকসু নুংঙাই য়াইফবা মী অমা ওইহনবা ঙম্মী।”

“মদু নত্তে, ঐনা নঙোন্দা ৱাফম ইতোপ–তোপ্পা ৱাফম্লি। নহাক্লা মদু খঙবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি, মহাক অসি নহাক্লা মরী য়েংবদা নবুং থোকই।”

“মীওই মপোক্তা পোক্লবা তাইবং মীওইবা কাংলুপ অসিগী মনুংদা নুপা অমসুং নুপী হায়দুনা খায়দোক্লি অমসুং নুপা–নুপী অনিগী মরী মবুং মৌপ্বাগী ৱাখলদা চিংশিন্নরী, অদুবু মখোয় অনি অসি লুহোংদ্রা?”

নাইতিঙ্গলগী অসিগুম্বা তাকপদা লৌররোইদবা পাউখুম অসিনা য়াম্না লায়না মমানা খঙবা ঙমই, মথোৎ কারকপগী হৌনবী মী–লাই কিদবগী মতাংনি হায়বসি। মহাক্কী কোক্তা নুংশিগী মহিক্লা চিকখ্রে, তকপদা ৱানা থোক্লগনি, ৱাফম অসি মপাবুংদা শিন্নবনা হেন্না ফরগনি খন্দুনা হায়রকই, “নখোয় নপাবুংনবু স্মিথর্স্তগা লুহোংসিবু য়ারবদি ঐদি করম্না য়ারোই।”

লণ্ডন হেক য়ৌবগা মমানা–মপাবুংগী মফমদা মচানুপীগী মরমদা ৱারী হৌদোকই, “খুঙ্গং অমুক্তং য়েংবা চৎনিংই য়াম্না তোয়না হায়মনবদগী পুরুবনি, ওহোকপা মতৌ হায়বদুনি, কন্না নারক্লে মখোয়গী নুংশি মহিক হায়বদু চিকখ্রমাল্লে, ঐদি হায়ফম খঙদে নহাক্লা অমুক্তা থেম–নৌদুনা মপুক্লিং ফাথবীয়ু পুম্মাং মাংমিন্নবা তারে।” ঙাইহাক ফাওবদি মপা তুমিন্না করিনো খরা খনবগুম তৌরী। অমখক্তা তরক মতোম পোকচবী নুংশিবী মচানুপীনি, অকনবা খোল শীজিন্নদুনা ৱারকপসু তৌনিংদে। য়াম্না নুংশিনা নাইতিঙ্গল মনাক্তা কৌশিল্লি অমসুং অশেংবদু খঙনিংদুনা হংই। নাইতিঙ্গলনা মপাবুংগী মফমদা মমাদসু শেংনা হায়জখ্রবা ৱাফম অদু লীজৈ। মচানুপীগী মচিন্দগী নুংশিবা ৱাহৈ তারগা তুমিন্না লৈ, অমুক নুংশিনা মচাগী লাইবক চুপ্পি অমসুং মচা নুপীনা হৌদোরক্লিবা লুহোংবগী ৱাফম শৌগৎলি অমুক মহাক মশাগী ওইবা ৱাফম থল্লদুনা হায়রকই, “তৌইগুম্বসুং লুহোংবগী ৱা লেপ্পদ্রিঙৈগী মমাংদা নঙ অমসুং স্মিথর্ষ্ট নখোয় অনিনা ঐগা য়ানবগী ৱাফম অমা ইনবা তাবনি।”

“বাবা! করি করম্বা... য়ানবা...?” নাইতিঙ্গল খঙনিংবনা পুক্লিং লাংতক্লে।

“মদু ঐ নখোয় অনিগা পুন্না ফম্মিন্নরগা হায়গনি, নঙ মাঙোন্দা চে ইখো, নোংমা নুমিৎ অমা হেক্তা মফম অসিদা লাক্লগা ঐগা উনহল্লু।” মপাবুংগী অরোইবা ৱাহৈ তারগা নাইতিঙ্গল ঙমখৈ লৈতনা হরাওজৈ অমসুং মপাবু হরাওনা চুপ্পি, “সো কাইন্দ ওফ য়ু ডেড....।” অদুম ওইনমক নাইতিঙ্গলগী পুক্লিংদা চিংনবা অমদি লৈতবা নত্তে, মরমদি করিগুম্বদা মপাগী চিন্না থোকপা হরাওনবা পংহায় হায়শিনবা ওইরমদনা!

নাইতিঙ্গলনা পাউ চেল্লকপদগী স্মিথর্ষ্ট লণ্ডন্দা লাকই, মপানা মখোয় অনি পুন্না মমাংদা ফমহল্লি অমসুং ৱা হৌদোরকই, “হৌজিক নখোয় অনিগী চহি মতাং থোইনা হেন্না তাক্লবগী তাঙ্কক অদু ফাওবদি নৎত্রে, থোইনা হেন্না ৱাখল খন্থবা ইতৌমক–তৌদনা ঙাইহাক্কী অপাইবা ৱাখলনা লমজিংদুনা তরাইনা হেক্তা চেৎনা পুন্সিনলগা লৈরীবা খুনাই অসিদগী তোঙান তানবগী থৌদৌ অদুগী মতৌদু নখোয়না খঙফম থোকপনি। অপাইবা লৈচিল, কৈদৌনুংদসু মিৎমাঙদা কুইনা লৈগদবা পোৎশক অমা নত্তে। লৈচিলগুম্বা পোৎশক অদুগী মরীগী ফত্তবা ফিভম অদুমক্তি ঐনা নখোয়বু কৈদৌনুংদসু তাহন্নিংদে।”

“পাল্লিবসি অমুক রি?” স্মিথর্ষ্টনা হংই।

“মতম খরা নখোয় অনি অমনা অমদগী লাপথোক্লনা লৈরগা কাউমিন্নবা ঙম্নবা হোৎনবা তাবনি। মসিগীদমক নখোয় অনি উনদনবা হোৎনগদবনি, চে ইনদুনা খক থানরোইদবনি, কনাগুম্বা অমগী মতেং লৌদুনা পাউ লৌবা–হংবা পূম্নমক থাদোক্কদবনি। মসি কদায় ফাওবা য়ৌনা হায়বা তারবদা নখোয় অনিগী তাইওন্নবা ৱাখল নশাদগী লাপথোকপা ঙমদ্রি ফাওবা ওইগদবনি। মদু পুক্লিংনা লাকশিনবা ঙম্লবখত্তদা নবানিগী পুন্সিদা য়ুম্বালবা হায়বদুগী পরিংদা চুম্না লাকপা ঙমগনি।”

“মসিগীদমক্তা মতম কয়া য়াম্না লেপ্পিগনি?” স্মিথর্ষ্টনা নুংনাংনা হংই।

চহি তরানিথোই” য়াম্না অকনবা ৱাহৈনি, “চহি তরানিথোই অসিগী মনুং নখোয় অনিগী মরক্তা করিগুম্বা মখল অমত্তগী, শক উনদবা খক নত্তনা ঈ–পাউ লৌনবা য়ারোই।”

স্মিথর্ষ্টগী মায়থোং খাঙহৌদনা লাংশিনখি, নাইতিঙ্গল ফল্লিবা মফম অদুমক্তদা নুংদুম খিনবগুম্না লেংদনা লৈ। মহাক মশাগী অপাম্বা ৱাশক মখোয় অনিগী মফমদা ফোংদোক্লম্লবা মতুং তন্না দ্রাইংরুমদগী মপান থোকখি। খঙহৌদনা থাজদবা পোৎলুম অমনা কোকথক্তা নম্থরকপদগী মখোয় অনি হৌগৎপা ঙমদনা লৈরী।

নুমিৎ অসিগী অহিং নাইতিঙ্গল মহাক্লা ঙাইদুনা অচৌবা নিংজবা অমগী মঙলান অদুদি মপাবুংগী ৱাহৈ অমনা খঙহৌদনা মিকুপ অমগী মনুংদা মঙাক্লে। অতোপ্পা পাম্বৈ অমা উবা ফংদবদগী ফমুং–থক্তা মায় উপশিন্না হিপ্পগা হিক–হিক কপ্পুনা খাঙলি। মচাগী মতৌ য়েংবা ৱারক্তুনা মমা–মপা অনি পুন্না চংলক্তুনা তুংদা ওইরক্কদবা ফিভম মখোয়গী পুন্সি অমসুং খুনাই অসিনা মখোয় অমসুং শাগৈদা য়েংলক্কদবা মিৎয়েং পুম্নমক্কী শুপচিন্না নৈনদুনা তাকপী তম্বীদুনা থেমজীনবী, “নমা–নপানা মচাগীদমক মাংননবা শীনবা হৌনদে, নঙ মদু খঙগদবনি।”

নাইতিঙ্গল হোই–মাই হায়দনা মপাগী খুত্তা চে মচেৎ অমা পী, মসি স্মিথর্ষ্টনাা মাঙোন্দা মখোয়গী পাবুংদা পীননবা শীন্নরম্বনি। চেজেৎ অসি মপানা ফাক্তোক্লগা য়েংই, ইরম্মী, ‘চহি তরানিথোই চাংয়েং অমগীদমক পুক্লিং অমসুং ৱাখলবু লোই থাবীবা হায়বসি ঐখোয় অনিগী নুংশি চাংয়েং লৌনবগীদমক্তনি থাজৈ, মসি ঐখোয় শোয়দনমক্কী মায় পাক্কনি। ঙসি হায়বা নুমিৎ অসিদগীহৌরগা চহি তরানিথোইগী মতুংদা ঐ অমুক শোয়দনমক্কী হল্লকখিগনি।’ পাবা লোইরগা নোক্লকই, “নুংঙাই, চহি তরানিথোইবু খজিক্কী লম নত্তে, য়াম্না শাংখ্রবা, চহিদি লায়রী থা তরুক্কী মনুংদা পুমকাও কাওথোকখ্রগদবা পোৎসিবু, নখোয়সু অদু মঙাই মহাক্কী মরমদা করি নিংশিংলরোই।”

নাইতিঙ্গল মে ১০–১৮২০ ইংদা ফ্লোরেন্স কৌবা সহর মচা অমদা পোকখি। মহাক্কী অপোকপা মপা ইবুংঙো ইনাক খুনবখক নত্তনা মতম অদুগী খুনাইদা মীয়াম্না ইকাই খুম্নবা মীশক অমসু ওইরম্মী। মহাক্কী মতম অদুগী লৈপাক মীয়াম্না শক খঙবা অফাওবা স্কোলার, সাহিত্যকার, ইদিতর, কলাকার অমদি রাজনীতিগী লুচিং পুরেল কয়ামুক্না মহাক্কী মনাক্তা অহিংগী মতম অমসুং নুংথিল মতমনি হায়বা থমদনা মহাকপু উনবা লাক্তুনা অমসুং লোইনমিন্নদুনা থবক চৎমিন্নে। মহাক্লা মহাক্কী নাইতোম পোকচবী মচা নুপীগী মিং মখোয়গী পোক্লফম লমদমগী মিং লৌদুনা য়াম্না নুংশিনা ফ্লোরেন্স নাইতিঙ্গল থোল্লি। ফ্লোরেন্সগী চেক্লা খোইনিংতুবী।

মাগী পাবুংনা থোনবীরিবা মিং অসিগা মপা চানননা চহি য়াম্লকপগী মতিক চাওবগী চাংসু লেপ্পমদে অমসুং ইরোইননা শাজৎ লিচত্তা য়েংলবসু শাখপ তোইবী চেক্লা খোইনিংতুবী হৌনশানি। কৈরোই লৈকাই মনুংদা মসিদি মীগী য়ুম্নি হায়বগী থোইদোকপা কোইথোক্লা খল্লুবা তৌদনা মহাক্কী অচম্বা পুক্লিংনা কনামত্তদা কোইদনা তিন্নবা য়াবনা মহাকসু চেক্লা খোইনিংতুম্বীগুম অমসুং লাইফদিবী অমগুম্না লুনা তৌনৈ।

মতম অসি ইটলী মনুংদা য়াম্না হেন্না খুদোংথীবগী ফিভম অমদা মীপুম খুদিংমক্কী পুন্সি তংদু লৈতদনা হিংনরম্মী। রোমন সাম্রাজ্য লৈখা তাখ্রবগী মতুংদা অচৌ–অপিক, ৱাথোক–লাহোক্লা পিক থল্লি। পিশক–পিশক মচেৎ তানা শরুক কয়ামরুম থোক্লা য়েহোক্লখ্রবা ইটলীগী ৱারী মালেম পুম্বদা ৱারীনফম ওইখি। মসিগী মতুংদা ষ্টেট অমনা অতোপ্পা ষ্টেট অমগী মায়োক্তা সহর অমনা সহর অমগী মায়োক্তা, লোয়ননা মী অমনা মী অমগী মায়োক্তা মহাক মশাগী তৌবা ঙম্বা পাঙ্গল উৎনদুনা শীংনরকই। মথং মথং....

# মীয়াম য়াওদনদি ওইথোক্তবনি

– জি.সি. ককচিং –

**ঐখোয়গী** খুন্নাই অসিদা হিংলিবা মীয়াম অসিবু ইশাগী ইরমদমসিগী পোখোক্লা পুক থন্না চাজবা ফংলিব্রা? নোং হেক ঙানবদগী নুমিৎ তাবা তুল্লমদাই ফাওবা শীজিন্নরিবা অসি মীরমদমদগী পুশিল্লকপা পোৎ চৈনম্না শীজিন্নরি, তুম্বা হৌগৎপদগী হৱাই চম্পল মীরমগী পোখোক্লী, টুথ পেষ্ট, ব্রজ হেক লোইবগা চা, থবক চৎলগনা গাড়ী য়ুমদা শঙদুনা লৈরগনা টি ভি য়েংবা, চাক চাবা ইঙ্গাং ঙৌবদা শীজিন্নরিবা তিলহৌ, চনম, অচাথাউ, থুম, মরু মরাং অতৈ অতৈ অদুদগী হেক মমশীল্লকপদা ধুপ থাউমৈ, কেন্দল, কাং হীদাক নচিংবা কয়ামরুম খুদম ওইনা য়েংবা য়াই। হীরম পূম্নমক অসি কোক্লবা মীৎয়েং কয়া, ওইথোক্লবা লম্বী ঙসিদি মীয়াম্না থিবা হংবা হৌনরক্লে, মসিমক লৈবাক্কী অওনবা তাঙ্কক অমদা লাক্লে হায়বা তাই।

অতৈ অতৈ হীরমদা য়াম্না কুপ্না য়েংলুদ্রগসু ঐখোয়গী primary Sector (Home Consuption) দা লৈরিবা Agriculture allied হায়বদি লৌউ শিংউগী পোখোক চাথোক হেঙ্গৎহনবগী তাঙ্কক অসিদা মরু ওইনা য়েংবা দরকার ওইরি, মরমদি ঐখোয়গী Home consumption অসি মতিক চাদবনা ইশাগী পোখোক চাথোক্লা পুক থন্না চাজবা হায়বদু ফংদ্রীবনি। লৈবাক্কী Home consumption হেঙ্গৎহনবা হায়বসিনা কান্নগদৌরিবসি লমদমসিগী শেল মপান্দা চৎখিগদবদগী কল্লি, শেল য়াম্না চৎখিদ্রবদি মশাগী শেলমিৎকি ফিভম ফগৎপা মশানা তারকই, অদু ওইবা তারগদি লৈবাক্কী শেলমিৎ হেঙ্গৎলকপা হায়বসি লৈবাক্কী পাঙ্গল কনবা ওইরোইদ্রা? অসিগুম্বা পাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা শেমগৎনবগীদমক তঙাই ফদনা মীয়াম্না ইশাগী পোখোক চাথোক্তনা পুক থন্না মীয়াম্না চাজবা, চীঙাক্তা মীখা পোন্দবা, ইরোমদোম লেপচবা ঙম্বা খুন্নাই অমা শেমগৎনবগী মীৎয়েং কয়া য়েংবা হৌনরক্লি। মীৎয়েং অসিমক য়াম্না মরম চাবা অমদি লৈবাক্কী ওইনা অচুম্বা খোঙথাং অমনি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। মরমদি লমদম অসিদা ইন্দষ্ট্রি পায়খৎপদা খুদোং চাদবা মরম ময়াম অমা মায়োক্লে। মরু ওইনা চীংগী লম ওইবা, লম্বী থোংগী ফীভম ফত্তবনা অচৌবা মরম অমা ওইহল্লি অসিগুম্বা ফীভম অসিদা লৌউ শিংউগা মরি লৈনবা থবক নত্তনা উপাই লৈতে, প্রকৃতিনা পীবীরকপা লৈহাও ফরবা লমদম অসিদা ঐখোয়না ইশাগী পোখোক ফাওবা পুথোকচবা ঙমদবা অমগুম থংনবা ষ্টেটশিংদগী নোংমগী চাননবা পোৎ চৈ লৈবা হায়বসি পোখোক পুথোক্লিবা মীওইশিং অদুনদি হরাওরম্বা য়াই অদুবু অখঙ অহৈশিংগী মীৎয়েংদদি য়াম্না শুনীংদবা লমদম অমনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে। মীগী করেম্নবা মীৎয়েং কয়া অমা তশেংনা লৈফম থোকই। মরম অদুনা মীগী করেম্নবা মীৎয়েংগী ৱা থমখ্রগা ঐখোয় খুদিংমক্লা লৌউ শিংউগা মরী লৈনবশিংদা খুৎ থাদুনা পোখোক মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনবগী তঙাইফন্দবা লৈব্রা হায়বসি হংদবা য়ারক্তে। মথং মথং....